# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ০৪, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১৮৯শুবা মশীং


## লাইকোই চাকপদৌনা পেনগদৌরিব্রা

### পোকপদা হরাওদবা, শিবদা কপনীংদবা

মণিপুরনা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা চন্দুনা মসিগী শরুক অমা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী ওইরকখিবদগী লৈরকখিবা ষ্টেটসিগী লৈঙাক্লোনগী ফীভমদুদগী হৌনা কোথোক্লুদ্রবসু ষ্টেটসিনা জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদগীনা হৌজিক ফাওবদা লৈরক্লিবা ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী মনুংদা হৌজিক মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি অসিদি মীয়াম্না পোকপদা হরাওদবা, শিবদা কপনীংদবা হায়বদুমক য়ৌনা হু তরেৎমুক খানরে। মণিপুরনা ষ্টেটহুদ হেক ফংবদগী ষ্টেট অসিদা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০ লৈহন্দুনা পাঙথোরক্লিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলশিংসি ১১ রক শুখ্রে। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা এসেমব্লি অসিদদি মমাঙগী ১০ রক পাঙথোকখ্রিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী টর্মশিংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক কয়া চরোং ওইনা থোকখ্রে। রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদগী অমনা অমদা চোঙথোক-চোঙশিন তৌনবা হঙোই য়াওরকপগী থৌদোক লৈখ্রে। মসিগীদমক হঙোইশিং অদুবু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ট্রাইব্যুনেলগী অশাংবা থাঙশাংনা অশাংবা মখোঙশিংদু য়াওনা মতুপ ৭ থোক্লা ককথৎলগা চোঙথোক-চোঙশিন য়াদে হায়বা ফ্রিং-ফ্রিং চোঙহন্দুনা খঙহনবা য়াওখ্রে। পার্টি অমগা অমগা তপশিন-পোশিন্নবা, মর্জ তৌশিন্দুনা অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবগী থৌদোকসু মীয়াম্না হকথেংনখ্রে। ইশম-শম্বদা পোলিটিক্সতা ওইথোক্তবা লৈতে হায়বগী থৌদোক ৱাথোক কয়া লৈখ্রে। অদুবু হায়রিবা শেংলবা দেমোক্রেসিগী লংলবা মায়থোঙদা হামুক তৈশিনবগী থৌদোকশিং অদুদগী হৌজিক লোইগদবা মতম ঙাইদুনা লৈরবা ১১শুবা এসেমব্লি অসিদনা অদুগুম্বা থৌদোকশিংদু খঙহেন-হেন্না থোকখি। মমাঙদা লৈখ্রিবা এসেমব্লি ১০দা থোকখিদবা থৌদোকশিং থোকচিল্লকখি। মশাগী লৌজনাম-পুজনামগীদমক অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী খুদোংচানবগীদমক ৱাংলবা টেন্থ সেদ্যুল্ডগী পল লান্দুনা চোঙনবা হোৎনরুবদগী তারকপদা মখ্বাং তেক্লবা য়াওবদগী এসেমব্লি সেগমেন্ট খরা হৌজিক এম এল এ লৈতবা য়াওরি। রুল্লিং অমসুং ওপোজিসনগী মরক্তা শোক্লরকপা পৱার মুন্নবগী লানদগী শিন্থনরকপা অঙাংবা ঈখেংশিংদা কাউশিং ওন্দুনা এম এল এ খরসু তাওথরকপদগী সিট হাঙলবা এসেমব্লি সেগমেন্ট খরসু য়াওরি। কুমজা ২০১৭কী মার্চকী হৌগৎলকপদা পাঙথোকখিবা মীখলদুগী রিজল্টতা অশোয়বা অরানবশিং য়াওরে হায়দুনা লো কোর্টতা ৱাকৎনরকপগী ৱায়েলদা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকপগী মথক্তা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবশিং য়াওনা মখোয়বু ইলেক্তেদ কেন্দিদেটনি হায়বগী রিজল্ট অদু চৎনহন্দনা থম্লগা মখোয়গী নক্লবা রাইভেল ওইখিবা কোর্টতা ৱাকৎলকখিবা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী পিটিস্নরশিংবু ইলেক্তেদ কেন্দিদেটনি হায়দুনা এম এল এ ওইনা ৱাশক লৌহনবসু য়াওরি।

পূম্নমকসিগী মথক্তা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরক্তগী মশাগী এম এল এ ওইবগী ফমদগী ফাওবা মতিক চাবা মমল পীরগা রিজাইন তৌহনবগী থৌদোকশিং ফাওবা থোকখ্রে। ইশম-শম্বদা হন্দক্কী ১১শুবা এসেমব্লিসিদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। লৈঙাক পায়দুনা হৌদোকমিন্নরকপা মান্নদবা পার্টিশিংগী এম এল এশিং মিনিষ্টর ওইহল্লম্বদগী লৌথোকপা য়াওখ্রে। লৈঙাকসিদা ঙাক্লৌ পীরকপা পার্টিগী মায়কৈদগী মরী থদৎনরসি হায়বগী ফিরেপ লৌরুবা য়াওখ্রে। মিনিষ্টর ওইরম্বদগী রিজাইন তৌরুবদগী অমুক হন্দোক-হঞ্জিন তৌনবগী থৌদোক ফাওবা য়াওখ্রে। অদুবু থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিবু অশেংবা পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্ট অমগী চৎফম থোকপা, থোরকহনফম থোকপা মচৎশিং ওইগদৌরিব্রা? পূম্নমকসিগী মথক্তা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ৱাথোকসু হৌজিক সুপ্রিম কোর্টতা ঙানি-ঈশিংনি খঙদনা পেন্দিংদা লৈরিবনি। মসি ওইরগদি লৈরিবা লৈঙাক অমসুং মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি অসি ইপা শিখিবদি নুংঙাইতবা লৈতে, লাইকোই চাকখিবদুমদি পেনখ্রেদা হায়বগী ফীভম ষ্টেটসিগী মীয়ামদা থোরল্লব্রা হায়বনি। পূম্নমকসিদি ঙম্ন-ঙম্নবা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী তৌনবা তাৎ মচা-মচাগী থৌওংনি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী অশেংবা লিক্লম নত্তে। অদুবু অশেংবা, অচুম্বা চৎফম থোকপা পোলিটিকেলগী লম্বেল নত্তে, থোরকহনফম থোকপা পোলিটিক্সকি থৌদোকশিং নত্তে খঙলবসু মনম-মনম থোকহল্লকখিবশিং অসিদগীনি পোকপদা হরাওদবা অদুগা শিবদা কপনীংদবগী থৌওংশিং মীয়াম্না মায়োক্লহল্লে হায়নরক্লিবসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১) ***"বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!"*** হায়বসি মপান মণিপুরী অমনা ইবা লাইরিকনি। অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ***"গীতা-লৌশিংগী পুক্কে"*** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেলদু কনানা ইবা করি লাইরিকনো? মণিপুরীদা কনানা ইথোকপনো?

৩) ***"নীংতম্বগী মমল"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***"অরোইবা পাউদম"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***"উ-থম্বালগী শৈথারোল:- মরিং খুম্বীলোক মাইবা থরাইলোক্তা শাৎপা লৈ, শরী নামুং শোননা ৱাশক্লবনা লৈ, পামেন উজাও শকপা লৈ, লৈরাং কোলোয় মমিংদি উ-থম্বাল কৌইদো।"*** করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ

ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** ঐগী লৌফমদা ৱাহিক তারম্বদগী ফরক্লে; অদুবু অয়াম্বা মনা (মখা থাবশিং) ঙাংশিল্লে। মসি ফনবা অমসুং হয়েং ফৌ মরূ চংনবা করি তৌহৌবা য়াবগে?

- ইবোয়াইমা, কৈথেলমানবী

☞ ফৌ চরোং চরী তৎপী (নেক ব্লাষ্ট) অমসুং ময়োন চিকপীনা মরম ওইরগা ফৌহাম শাৎপা য়াম্না য়াওই। মসিমক নৎত্রগদি King power মিলিমিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমা চাওবা লৌফমদা মিলিলিটর ১০০ কাপথোক্কনি। Nanotechnology গী পোথোকনি। মনা ঙাংশিনবসু খরা ফগনি।

**Q.** ফৌ শাৎপা হৌরক্লে নেক ব্লাষ্ট তারক্তনবা করি চেকশিনহৌবা য়াবগে?

- নিমাই, মনা ইঙ্খোল

☞ ফৌনাশিংদা লিফ ব্লাষ্ট তারবদি ঙসিমক হীদাক কাপথোকপা য়ারে। নৎত্রগসু ঐগী লৌফমগা থংনবা লৌফমশিংদা ব্লাষ্ট তাবা হৌরবদি Polyram গ্রাম নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। গ্রাম চামরিগী পেকেট অমনা শঙম অমগা লৌখাই চাওবা লৌফম অমা কোন্নগনি।

**Q.** ফৌ লংচাক লাক্কদৌরে, মশা তাশিল্লক্লে, তাঙ্ককসিগীনা ফৌ লোকপা ফাওবগী মনুংদা লায়না অমসুং তীলনা মখল খুদিংমক ফননবা হারগা তোৎলগা চাইবা য়াবা হীদাক অমত্তা তাকপীয়ু।

- ইবুংঙো, থৌবাল

☞ ফৌনা মমী তম্বা (পেনিকল ইনিসিয়েসন ষ্টেজ) য়ৌরবদি হার চাইররোই। অদুগা লায়না অমসুং তীলনা মখল খুদিংমক ফহনবা ঙম্বা হীদাক হায়বা অমা লৈতে। হীদাক অমনা লায়না অহুম-মরি নৎত্রগা তীলনা অহুম-মরি ফহনবদি ঙম্মী। ঐগী লৌফম অমসুং থংননা লৈরিবা লৌফমশিংদা তারিবা লায়না নৎত্রগা তীলনাদুগী চপ চাবা মশক খঙদোক্লগা মদুমক্কী চপ চাবা হীদাক থাগনি।

**Q.** ঐগী অৱাথবী পাম্বীশিংদা পাল্লিবা অৱাথবীশিংদু নাপু মচু চংলপ তৌবা গমশিং মচি মচিদা থোকই। মপূং ফাদ্রিবনিনা হীদাক কাপনীংই। করি হীদাক্লা চানগদগে?

- মাইপাক, খেকমন

☞ Bactowin গ্রাম ৮ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপীয়ু। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অমুক হন্না কাপসি।

**Q.** কোবী থমচেৎ ফৈদোম মরিমুক থাজবনি অদুবু থমচেৎ লাকপা হৌরকপসিদা মনাদু উনা মচু চংলকই। মনা মতাইদগী কংশিল্লকই। কনবা য়াবা পাম্বৈ অমত্তা তাকপীয়ু।

- মেম্মা, এলাংখাংপোকপী

☞ মখা তাবা মনা ঙাংবা ওইরবদি নাইট্রোজেন ৱাৎপগী ওইগল্লি। মনা অরি অনৌ খায়দনা মনাগী মতাইদগী মচি মচিদা কংশিল্লকপা অমসুং মনাদা য়াওরিবা মশিংশিংদু (ভেন) মুশিল্লবদি ব্লেকরোট ওইগনি। বেকটোৱিন গ্রাম নিপান ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানশিল্লগা কাপথোক্কনি।

**Q.** হৱাইমুবী থানবা হোৎনজরি। মসিদা করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌগদগে হায়বদু খঙজনীংই।

- বিজয়, ময়াংলাংজিং

☞ থারমদাইদা ট্রাইকোদর্মা তোৎহৌসি। মরূ কিলো অমদা ট্রাইকোদর্মা গ্রাম ১০ চংগনি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]

চিঠি থারকফম

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১

নৎত্রগা

অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# অচৌবা শা-ষণগী অরুম্বা ওন্নবা কাঙলোন খরা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

অপীকপা শা-উচেক খুদিংমক অরুম্বা ওন্নবগীদমক খন শীজিন্নদুনা অরুম্বা ওন্নে অদুবু অচৌবা শা-ষণ ওন্নবগীদমক খন শীজিন্নরগদি অৱাবা কয়া মায়োক্নরি হায়বদি মখোয়বু পুথোক পুশিন তৌবা অমদি অরুম্বা ওন্ননবগীদমক খন শেম শাবা/লোইরিবা শা-ষণগী অরুম্বা খঙদোকপা য়াম্না কান্নে। ষণ, ইরোই, ওক, হামেং অসিনচিংবসি য়োনবা মতমদা লম-শমদা ঙাংনরগা য়োনবনা অয়াম্বনি করিগুম্বা ঐখোয়না চাউরাকপা অরুম্বগী চাংসি খঙদোক্লগদি য়োনগদৌরিবা মপুদা ইমাং মাঙলরোই । অসিদসু নত্তনা করিগুম্বা কান্দা অনা অয়েক থোরক্তুনা হীদাক পীজরমদাই মতমদসু হীদাক অয়াম্বসি মাগী অরুম্বগী মতুং ইন্না পীজৈ। মরম অসিনা ঐখোয়না চাউরাকপা অরুম্বা খঙদোক্লগদি হীদাক পীজবা মতমদা দোজ শুনা পীজহৌদুনা থুনা মশা মউ ফনা লৈহৌবা ঙমগনি।

সাইন্টিষ্টশিংনা শা-ষণগী শবানগী মচাউ-মশাংসি ওল্লগা চাউরাকপা অরুম্বগী চাং পুথোকপা ঙম্মী। ষণ, ইরোইগী অরুম্বগী চাং পুথোকপগী মওং ঃ

**ক. সেফরস ফোর্মুলা :**

$$\text{অরুম্বগী চাং (পাউন্দ)} = \frac{\text{ময়ুং (inches) x পূক্লি inches)}^2}{৩০০}$$

ময়ুং ঃ লেংথ হায়নসু খঙনৈ । মসি লেংবানগী মতোন্দগী খোঙনিংগী মথক্কী অতুম্বা শরুক ফাওবা

পূক্লি ঃ গার্থ হায়নসু খঙনৈ। মসি খুনিংগী হেক মনিংদগী মশা কোনবগী শরুক

**খ. বন্দরী অমদি মাগী কাঙবুনা পুথোকপা :**

ইরোই শঙ্গোম শুমদবগী (পাউন্দ)

- ২১২৩.৭৩ + {২৬.৩৫৬ x (গার্থ inches)}

+{২১.৫০ x (লেংথ inches)}

ইরোই গর্ভ লৈবগী অরুম্বগী চাং (পাউন্দ)

- ১৯৩৪.৪৮ + {২০.৫২ x (গার্থ inches)}

+ {২৫.৯০ x (লেংথ inches)}

ইরোই শঙ্গোম শুমদবগী অরুম্বগী চাং (পাউন্দ)

- ২৩৮৭.৬০ + {২৭.১২ x (গার্থ inches)

+{২৪.৫৫ x (লেংথ inches)}

**গ. মুলীক্কী ফোর্মুলা ঃ**

ইরোইগী অরুম্বা (পাউন্দ)

- ২৫.১৫৬ x (গার্থ) - ৯৬০.২৩২

গার্থনা inches তা ওনবীগদবা।

**ঘ. ষণগী অরুম্বা (kg)**

= ৩.৩ x (চেজ গার্থ) + (খুনীংগী মমাংগী কোনবা cm)

+ ০.৭ (লেংথ) - ৪৯০

চেজ গার্থ - খুনিংগী মনীংদগী মশা কোনবগী শরুক

মসি cm দা ওনবীগনি।

লেংথসু cm দা ওনবীগনি।

**ঙ. ষণ অমদি ইরোইগী লুম্বগী চাং (kg)**

$$= \frac{\text{লেংথ x (গার্থ)}^2}{১১২০০}$$

লেংথ অমদি গার্থকী ওনবসি cm দা ওনবীগনি।

মথক্তা ফোর্মুলা খরদা পাউন্দদা পীবসি ঐখোয়না kg দা ওন্থোকপীগে হায়রগদি মখাদা থমজরি :

১) $\frac{\text{পাউন্দ}}{২.২}$ = কিলোগ্রাম

২) কিলোগ্রাম x ২.২ = পাউন্দ

ওক্কী অরুম্বা কমদৌনা লৌগনি :

অহানবদা ওক্কী হাট গার্থ মেজরিং টেপ অমনা লৌরনি। মসিগী মতুংদা অমুক ওক্কী অশাংবা অমুক লৌবীরনি। ওক্কী অশাংবসি ওক্কী মনা লোইরকপদগী মমৈগী অহৌবা ফাওবনি হাট গার্থনা খোঙমাঙগী হেক মনীংথংবদগী অকোনবগী শরুক লৌবা।

$$\text{ওক্কী লুম্বসি পাউন্দা ওইরগদি :}\quad \frac{\text{(হাট গার্থ)}^2 \text{ x অশাংবা (লেংথ)}}{৪০০}$$

হাট গার্থ অমদি অশাংবগী inches তা ওইগনি।

খুদম ওইনা হায়রবদা

হাট গার্থসি = ৫০ inches, লেংথ - ৮০ inches ওইরগদি ওক্কী অরুম্বসি

$$= \frac{\text{(৫০x৫০) x ৪০}}{৪০০}$$

= ২০০ পাউন্দ

অতোপ্পা অমনা কিলোগ্রামদা ওইগে হায়রগদি হাট গার্থ অমদি লেংথসি মিটরদা ওইগদবনি। ওক্কী অরুম্বা (কে জি)

$$= \frac{\text{(হাট গার্থ)}^2 \text{ x লেংথ}}{৬৯.৩}$$

খুদম ওইনা হায়রবদা হাট গার্থসি - ১.২৭ মিটর

লেংথনা - ১.০২ মিটর

লুম্বগী চাং (কে জি) - ১.২৭ x ১.২৭ x ১.০৪ x ৬৯.৩

হামেংগী অরুম্বা করম্না লৌগনি :

$$\text{হামেংগী অরুম্বা (পাউন্দ)} = \frac{\text{(হাট গার্থ)}^2 \text{ x লেংথ}}{৩০০}$$

হাট গার্থ অমদি লেংথসি inches তা ওইগনি। পাউন্দদগী কিলোগ্রাম ওন্থোক্কে হায়রগসু মথক্তা পীরিবা ফোর্মুলাদগী ওন্থোকপীবা য়াই। লেংথ ওনবসি ষণ ইরোইগুম্না হামেংদসু চপ মান্নগনি।

অসুম্না নীংথিনা শা-ষণগী অরুম্বা লৌরগদি ঐখোয়না শা-ষণ লোইবদা মায় পাক্লা লোইবদা নত্তনা শেন্দোং হেন্না লৈনা লোইবা ঙমগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।